



এন এস সী এন (কে) গা ৱারী শানবা হৌনবা পি এমদা তকশিনখ্রে

দিমাপুর, জুলাই ১১ : অকনবা এনিট-টেরর লোগী মখাদা এন এস সী এন (কে) বু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোক্লিবসি হন্দাকপীনবা অমদি গ্রুপ অসিগা অথুবা মতমদা ৱারী শানবা হৌনবা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন (ঈ এন পি ও) না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা আপিল তৌখ্রে।

নাগালেন্দগী গভর্ণরগী খুথাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা ইবা চেরোল অমদা ম্যান্মারগী অৱাং নোংচুপ লমদমগী সাগাইঙ দিভিজন অমসুং কাচিন ষ্টেটকা লোন্নবা ত্রাইব তরুক হায়বদি চাং, খিয়ামনিয়ুঙান, কোনয়াক, কোম, সাংতম, য়িমচুঙরনা খুন্দাবা ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী মীয়ামগী মহুৎ শিল্লদুনা ঈ এন পি ওনা হায়, এন এস সী এন (কে) গা পিছ টোক চথবা হৌবনা লমদম অসিদা তুংকোয়না ঈং-চিকপা অমদি তং-তাবা ফীভম লাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীওইগনি।

ইন্দিয়া অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি, লৈবাক অসিদা সিটিজন খুদিংমক্না ঈং-চিক্লা অমদি তং-তাবা পুন্সি মহিংদা লৈবা পাম্লে হায়না পল্লদুনা ঈ এন পি ওনা হায়, নাগালেন্দ ষ্টেটতা ঈং-চিকপা, তং-তাবা ফীভম পুরকপা হায়বসি মফম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীদা নত্তনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগালেন্দ ষ্টেট গভর্ণমেন্টগীসু থৌদাংনি। অদুনা ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা ঈ এন পি ওনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা লমদম অসিদা ঈং-চিকপা পুরক্তুনা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিন্নবা খ্বাইদগী থুবা মতমগী মনুংদা পিছ টোক চথবা হৌনবা আপিল তৌরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কলচরবু থৌওইবীদ্রে : মুক্সু

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মণিপুর কলচরবু হন্থনা য়েংবীরি হায়বসি তপ্না তপ্না ময়েক শেংলক্লি। হন্দক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন (এস) না তাঙ্কক অনী থোক্লা চেরোল থোক্লকপা অদুদা হান্নদগী হৌনা কিমাক্সনা হায়দুনা লাক্লবসু করিমত্তা তাবীদনা তুমীন্না লৈশিনবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা লমদম অসিগী নাৎ অমদি কলচরবসু নাথৈদুনা থম্বগা লোয়ননা হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংলি হায়বসি তাক্লে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুক্সু) না ফোঙদোরক্লি।

মুক্সুগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ইবোমচা মঙাঙনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক অসিনা হায়র সেকেন্দরিগী লেকচরর ৬৮৮ লৌবগী মতাং অসিদা ময়েক শেংনা তাকচরে। থাঙ-তা অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী তম্বা হৌখিবদুনা হৌজিক্তি ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা মহৈরোয়শিংনা ইগজামিনেসন থাবা হৌখ্রবসু গভর্ণমেন্টকী মহৈ লোয়শঙশিংদা ওজা লৈতবনা পামজরবসু তম্বা ফংদ্রি। হিরম অসিগী মতাংদা কিমাক্সনা কন্না হোৎনরিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা লমদম অসিগী নাৎ অমদি কলচরগী খনবীরগা অথুবা মতমদা থাঙ-তাগী ওজা হাপ্নবা কিমাক্সনা চঙশিল্লিবা ঈহৌ অসিবু লুম্না লৌবীদুনা থাঙ-তাগী ওজা হাপ্পীয়ু। লোয়ননা হিরম অসিদা কিমাক্সনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা পাউ ফাওবীরকউ হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লেকচরর লৌননবা নোটিশ থোক্লিবা অসিদা থাঙ-তাগী সবজেক্টকীসু ওজা লৌনবা নোটিশ থোকপীগদবনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট থাঙ-তা এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ রোমেসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হিরম অসিদা কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) না চঙশিল্লকপা খোঙজংদা এসোসিএসন অসিনা মপুং ফানা মতেং পাংনবা শেম-শারে। বোসেম অমদি কোসেমনা শকখঙদুনা থাঙ-তা হায়রিবা সবজেক্ট অসি তম্বা হৌখ্রে। গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদা ওজা হাপ্পীদবদগী মহৈরোয় কয়া তম্বা ফংদ্রবসু প্রাইভেট স্কুলশিংদদি তম্বা ফংলি। থাঙ-তাদা শাজেল কাঙলোন, থকশি খাসি অমদি লমদম অসিগী পুৱারীগী ৱারী শিংবুল কয়াসু নৈনরি।

থাঙ-তা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা সবজেক্ট অমনি। নৌনা হাংদোক্লিবা সবজেক্ট অসিবু পূক্লিং থৌগৎপীবগী মহুত্তা নমথনবা লৈঙাক্লা অসিনা হোৎনবা হায়বসি লাইবক থীবনি। খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপদা এসোসিএসন অসিনা মতেং পাংনবা শেম-শারে হায়খি। মরক অসিদা, লীচৎ ইনাৎ কনবা লূপকী অপূনবা মহৈশঙ, খুরাইনা থোকপা চেরোল অমনা থাঙ-তা সবজেক্ট অসি ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবদা তম্বা হৌখ্রবা অসিগী মথৌ তাবা ওজাশিং হাপ্পীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি। থাঙ-তা হায়বা অসি মমাঙঙৈদগী হৌনা খুন্নাই অসিগী লৈঙাক্লোনগী য়াঙলেন শরূ ওইদুনা লাক্লিবনি অমদি এদ্যুকেসন অসিগী ওইনদি মহৈরোয়শিংদা থকশি-খাসি তম্বীনবা অমদি মশা-মউ ফনা থম্বদা চাউনা কান্নবা পীরিবনি। অসিগুম্বা সবজেক্ট অসিবু গভর্ণমেন্টনা মীরায়বা হায়বসি য়ানিংদে। মরম অদুনা কিমাক্সনা চঙশিল্লকপা থাঙ-তাগী ওজা লৌনবগী খোঙজং অসিদা অরৈবা পাঙ্গল থৌনা পুথোক্তুনা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল হোংদোকখিগদবনি : লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা মখল মখা কয়াগী লাইনিং-লাইশোন্দা য়ুম্ফম ওইবা স্কুল ময়াম অমা লৈরে হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবনি। অমরোমদা, লৈবাক অসিগী হ্যুমেন রিসোর্ছতা থৌ পুবা হায়বসি হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু অফবা মায়কৈদা পুদুনা চাউখৎপা লৈবাকা অমা ওইহনবা হায়বগী ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোকপা হায়বদুনি এদ্যুকেসনগী মথৌনি হায়না কংলৈপাক থৌপাং লূপকী কনভিনর এস মোমোন লৈমা অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ ভারতনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, হৌজিক হৌজিক লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুলনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর অমদি ওফিসলশিং তানরগা নমদুনা উরিপোক বাচস্পতি মনিং লৈকায়দা মতম অদুগী মমাঙগী কোংগ্রেস এম এল এ অমনা মহাক্কী ভোট কাননবা ঙাইহাক্কী ৱাখল্লোন্দা পুশিল্লকখিবনি।

মতম অদুদা কয়ারক হন্না উরিপোক এ সীগী এম এল এদা হায়জখিবনি। অদুবু তাবীখিদবদগী মখল মখা কয়াগী এজিটেসন তৌখ্রে। হান্নগী তোঙ্গে দানসনা স্কুল অমসুং এস এস এগী রেসিদেন্সিএল স্কুল অমদি অপ্পর প্রাইমারী স্কুলদা হোংজিন্নবা হোৎনবদা উরিপোক অপূনবা নুপী লূপ, নহারোল চাউখৎহনবা কাঙলুপ অমদি পেরেন্ট এন্দ ফাউন্দর কম্মিটিনা থিংনবা হোৎনখি। অদুবু মীয়ামগী মায়োক্তা লৈখি অমদি উরিপোক এ সীগী এম এল এনি হায়বা কাউখি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরশিং অনৌবা লাকখ্রবনিনা পোলিটিক্স তৌগেদি হায়দনা লাইনিং-লাইশোন শন্দোক্লুবা হোৎনখি।

হিরম অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মফম চাবা অমদা হোংদোক্লুবা শিনবীরবদি অফবা ওইগনি নৎত্রবদি লৈবাক ৱাথোক চাউথোরক্কনি হায়রি। ঙসিগী চহী ৬০ হেল্লবা উরিপোক তোন্দোনসনা স্কুল অসিবু অঙম অথৌশিংনা ঙম্মী হায়বগী মওংদা মিসন স্কুল পুশিল্লকপা অসি উরিপোক অমদি মণিপুরগী তুংগী মীৎয়েং শান্না উবা থৌওং নত্তে। হিরম অসিদা এমসু, এম এস এফ, কে এস এ অমসুং দেসামনচিংবা ওর্গনাইজেসনশিংনা মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিং অমদি প্রাইভেট স্কুলশিং অসিদা নত্তনা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিশিংদা মীৎয়েং চঙদুনা মহৈরোয়শিংবু তুংগী অফবা মী ওইরক্লবগীদমক কুপ্পা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। কংলৈপাক থৌপাং লূপনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুলনা গভর্ণমেন্ট মশানা চলাইবা স্কুল মুথৎলগা লিংখৎখিবা মিসন স্কুল অসি লৈঙাক্লা মফম অমদা হোংদোকখিবনা অফবা ওইগনি হায়না খল্লি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম চথখরি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : জে এ সী এমটুক অমদি এমজিওনা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসনগী খোঙজং শৌগৎতুনা ঙসি সঞ্জেন্থোংদা লৈবা মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি ওফিসকী শিন্মীশিংনা নোংমগী শিন্থা লেপ্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। জে এ সী, এমটুক অমদি এমজিওনা ৭ শুব সেন্ট্রেল পেগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চথরকপা ঙসিগা থানা নুমিৎ ১১২ রোম শুরে অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্না ৱারী শান্নদুনা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরকপা ঙমদনা লৈরি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা শিন্মী অমনা ফোঙদোরকপদা দিমান্দশিং অসি য়াম্না মথৌ তাবা ঙাক্তনি। লৈঙাক্কী শিন্মীশিং অসিসু লমদমসিগী মীওই ঙাক্তনি।

মীয়ামগী ঈহৌ খক্তনা য়েলহৌলম কনবা ঙমগনি : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, জুলাই ১১ : মণিপুরগী ঙমখৈ কন্নবা মীয়ামগী ঈহৌ অমা লাক্লিবা অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি মণিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলদগীনি হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরনা মরাল শীখ্রে।

লূপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বর্মানা মণিপুরগী ঙমখৈ লৌশিল্লক্লে হায়বগা খুদক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা হায় পৱার কম্মিটি অমা শেমখি অদুবু বোর্দর য়েংশিনবা চৎলমদাই মীকুপ্তা পাউমীশিং শেম শাবা লোইরবা মতুংদা খোঙচৎ অদু খুদক্তা য়েথোকখি।

মীয়াম্না ফীভম অসিদগী চিংনবা হৌরকখি অদুবু মখা তানা ভোট খোম্বা লাকপা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা হিরম অমত্তদা য়েংশিনবা তৌদনা মণিপুরগী ঙমখৈ বর্মানা লৌশিল্লকপা লৈতে হায়না ফোঙদেক্লকখি। ফীভম অসিদা মণিপুর মীয়াম্না ঈহৌ হৌরোইদবগী মরম লৈতে। ঙসি লাক্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ অসি তৌফম থোকপা মীয়ামগী থৌদাংনি হায়রি।

সেন্টরনা অমা হায়, ষ্টেটনা অমা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসনা অমা হায়, চীফ মিনিষ্টরনা অমা হায়, হায় পৱার কম্মিটিগী চেয়রমেননা অমা হায় অদুগা বি জে পি মণিপুরনা অমা হায় তৌরগা মীয়াম্বু লৈঙাক অসিগী চমচা ওইনা তুমীন্না তাও হায়বসিদি মীয়াম্বু চরু চাবা থৱায় পানবনি হায়না লৈঙাক অসিনা খনব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি হায়রি।

লৈরিবা ফীভম অসিদদি মণিপুর মীয়ামগী ঈহৌ নত্তনা য়েলহৌমী অমদি য়েলহৌ লম কনবা ঙমগনি হায়বা থাজনিংঙাই ওইদ্রে। মরম অদুনা মণিপুর মীয়াম্না অকনবা ঈহৌ অমা চঙশিনবা মতম য়ৌরে। ঙসিগী লৈঙাক অসিনা খঙজগদবা ৱাফমদি মণিপুর কল্লকখিবসি মীয়ামগী ঈহৌননি। হৌখিবা মতমদা অতল বিহারী বায়পায়িগী বি জে পি লৈঙাক্লা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপদসু মণিপুর মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিন্দুনা ইরৈচা তরানিপালগী থৱায় কৎলবা মতুংদা কনখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈঙাক অসিনা মখোয়গী অশোয়বা ময়াম্বু কুপশিন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী ঈহৌনা লৈবাক চাউখৎহন্দ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লিবসি মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবনি। মীয়াম্না খঙবীগদবা ৱাফমদি থা ৩/৪গী মমাঙদা অমদি চহী অসিগী মার্চ ১৮দা ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার অনী পুল্লগা ঙমখৈগী মতাদংদা জোইন্ট সর্ভে তৌমিন্নখি। জোইন্ট সর্ভে অদুদা মণিপুর পুলিস অমদি ইন্দিয়ন আর্মিশিংসু শরুক য়াখি মরম অদুনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা করিগীদমক ঙমখৈ হেঞ্জিল্লে হায়না মতম অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তনা তুমীন্না লৈশিল্লিবনো হায়বসি মীয়ামদা শেংদোকফম থোকই।

মণিপুর মীয়ামদা কুমজা ১৯৭৬ গী এগ্রিমেন্টতা কনাসু চমন্নবা লৈতে। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি কুমজা ১৯৭৬ গী এগ্রিমেন্ট অদুদা য়ানখিবা ৱাফমদগী কিলোমিটর ৩ চঙশিল্লক্লগা ম্যান্মারনা বোর্দর পিল্লর য়ুংশিল্লক্লিকবসি য়েংশিনবীয়ু হায়বনি। মরম অদুনা হৌজিক পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক্লা ঐখোয় খঙদে হায়দুনা চেনবা য়ারোই।

নাকল অমরোমদা, য়েলহৌমী কন্নবা পুথোক্কনি হায়রিবা বিল অসি হৌজিক ফাওবা মীয়ামদা খঙহন্দনা লৈরি। নিংফুং নিংফুং ঙাংনবা পাউদা কুমজা ১৯৭২ গী ফাওবগী মনুংদা চঙলকখিবা মীওইশিংবু মণিপুরীনি হায়না খঙনরগনি হায়বা ৱাফম লাক্লি। ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরগদি পুথোক্কদৌরিবা বিল অসি য়েলহৌমী কন্না বিল কৌবা চুম্লোই। মসিদি মীতোপ কন্নবা বিল হায়না মমিং থোল্লগা পুথোকপনা চুম্লগনি হায়নসু লালহৌলূপ অসিনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনা পুথোকপা লাইরিক 'ইনফ্লক্স ওফ মাইগ্রেন্ট ইনটু মণিপুর- এ থ্রেট টু দি ইন্দিজিনস ইথনিক পিপল অসিদা মীতোপ চঙশিল্লকপগী মতাংদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা পীরি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মণিপুরদা মীকোক মশিং থিবদা খ্বাইদগী য়াম্না মীতোপ চঙশিল্লকখিবা চহীনি হায়না থেংনরিবসি কুমজা ১৯৬১ অমদি কুমজা ১৯৭১ গী মীকোক মশিং থিবদনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা মণিপুরী মশক খঙনবগী চহী অসি কুমজা ১৯৭২ দা লেপ্পগদি পুথোক্কদৌরিবা বিল অসি চুম্নগী নন-মণিপুরীশিংবু মণিপুরীনি হায়না মশক খঙবীনবা রিকগনিসন পীবগা চপ মান্নরে।

থৌওং অসিদি মণিপুরদা লৈরিবা মীতোপ মীয়ানচা চাম্মাগী মনুংদা ৯০দি ওফিসল ওইনা মণিপুরী ওইখ্রনি। য়েলহৌমীশিংনা ইরমদম অসিদা মশিং য়ামদবা ফুরুপ হায়বদু ময়েক শেংনা ওইরগনি। মরম অদুনা পুথোক্কদৌরিবা বিল অসি য়েলহৌমী মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং নত্তে, মীতোপ মীয়ানচাশিংবু শৌগৎপা বিলনি হায়না মরাল শীরি।

মীতৈ পাঙলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদ্রবদি মুস্লিম মীতোপ চঙলকপা থিংবা ঙস্লোই : অসুক

ঙরাংগী মখা :

মৈতৈ পাঙলশিংনা মখোয়গী শক্তমগী ৱাখল্লোন হোংলক্লিবা অসি খঙনবগীদমক পান-ইস্লামিজম হায়রিবা ইহৌ অসি করিনো, মসিগী হৌরকফম কদায়দগীনো অমদি মসি কয়াম কনবা ইহৌনো হায়বসি খঙবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, পান ইস্লামিজম খঙদনা ঙসিগী মৈতৈ পাঙল মশক খঙবা ঙস্লোই। নাৎ, লোন, লম পুনবা-পুনদবা অমদি লৈঙাক্লোন-লৈশেমলোনগী খেন্নবা য়েংদনা মালেমগী মুস্লিম পুম্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি পান ইস্লামিজমনি।

মণিপুরদা মুস্লিম মীতোপ চঙলকপা থিংবদা মৈতৈ পাঙলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদ্রবদি মায় পাকপা ঙস্লোই হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, পান-ইস্লামিষ্ট মৈতৈ পাঙল খরনা মুস্লিম মীতোপ পুশিল্লক্লগা মণিপুরদা মীশিংগী লমজেল অমা হোংদোরক্লিকবসি লেপখিনবা অহল-লমনশিংনা মখোয়বু ৱাখল তাহনবিবা মথৌ তাই। দিমোগ্রাফিক/পোপ্যুলেসন জিহাদকী মওংদা চঙশিল্লক্লিবা থৌওং অসিনা মৈতৈ পাঙল য়াওনা য়েলহৌমী পুম্নমক মৈরক্তা হুনজিল্লগনি।

চেরোল অসিনা হায়, মৈতৈ পাঙলশিংনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইবা মৈতৈ পাঙলগী এথনিক আইদেন্টিটি য়োক্তুনা থম্বা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না অচুম্বা পোরম-পোমিৎ ওইগনি। মৈতৈ পাঙলগী এথনিক আইদেন্টিটি ঙাক্লা-ঙাক্লা মুস্লিম ওইবদা অকায়বা করি লৈবগে। মালেমগী মুস্লিম খুন্নাইদা এথনিক আইদেন্টিটি ঙাক্লা হিংবা হায়বসি মুস্লিম খুন্নাই পুম্নমক্লা শৌগৎনরিবনি।

ৱেসিয়া অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা মীওই পুম্নমক নীং-তম্না হিংবা নত্তে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ঐখোয় পুম্নমক থমাইখ্রবনিনা ঐখোয় কনানো, কদাইদা লৈরি, হয়েংদি করি ওইগনি হায়বসি পুম্নমক্লা খঙজদ্রবনি। ঐখোয় পুম্নমক খুৎশম্নরগা ঐখোয়গী অপুনবা য়েক্লুববু থেংনদনা ঐখোয় মশেল হিদান্নদুনা লৈবা হায়বসি ঐখোয়গী অশেংবা ফিভম অদু খঙবা হৈজদবা তাগনি হায়রি।

ঠিয়েটর ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ : সঙ্গীট নাটক একাদমি ন্যু দেল্লি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লিবর্টি ঠিয়েটর ককচিংনা শীন্দুনা থা অমা চুপ্পা চথরকখিবা স্কুল তন্নীবা অঙাংশিংগী ঠিয়েটর ৱার্ক্সোপ অমা ঙসি লোইশিনখ্রে। ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা ৱার্ক্সোপ লোইশিনবগী থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিসনর নৈলেনথাং টেলিননা অথোইবা মীথুং, ওল মণিপুর কলচরেল ৱার্কর এন্দ এক্টিভিষ্ট ফোরমগী চেয়রমেন বুধা চোংথাম্না থৌরম মপু অমসুং এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েনখোম্না অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : মোইরাংথেম দেবেন্দ্রাকুমার
হৈঙাং অৱাং লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্ট।

তাং ১২-০৭-২০১৮, শগোলশেন, ইঙা ২৯ নি পানবা, নুথিল পুং ১২:০২ তাবদগী ৩০ নি পানবগী মতম চঙবা, যোগিনি মায়কৈদি নোংচুপ, নুথিলগী পুং ১২:০২ তাবদগী চীংখৈ।

মেষ ঃ য়েক্লবা লাকশিনবা, মীগী মতেং ফংবা, নুংঙাইবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ চাওখৎপা, কান্নবা।
পাখং-লৈশা ঃ ঙানুগা খোংবানগা।
অনা অয়েক ঃ লৈরোই।

বৃষ ঃ লোইন-তিন্নবশিংদগী থাজবা মাঙবা, নিংজবদা খুরৌ পন্নৌবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ ৱাজবনা হেনবা।
পাখং-লৈশা ঃ নুংশিৎ মরমদা লশিং কাপ্পা।
অনা অয়েক ঃ নাওশোন্নবা, হৈনিংদবা, মীৎ কোক নুংঙাইতবা।

মিথুন ঃ লন থুম ফংবা, মীনা শকখঙ মাইখঙবিবা, হরাও নুংঙাইবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ শেন্দোং শেল্লেপ কুপখৎপা, কান্নজবা।
পাখং-লৈশা ঃ হরাও নুংঙাই ফোঙদোক্লবা।
অনা অয়েক ঃ ৱানিংঙাই লৈতে।

কর্কট ঃ মীনা তুংদা ঙাংনবা, মুক্লবা, ৱাখল পুক্লিং লৈতাদবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ কান্নফম খঙদবা।
পাখং-লৈশা ঃ ৱারৌ পুক্লৌনবা, নুংশি কোচি থাংনবা।
অনা অয়েক ঃ কোক মীৎ নুংঙাইতবা।

সিংহ ঃ মরুপ মপাং তিন্নদুনা নুঙাইবা মীনা লাকচবা ঙমদবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ শেন্দোং লৈনা কান্নজবা।
পাখং-লৈশা ঃ নুংশি ময়াই কাবা।
অনা অয়েক ঃ ৱানিংঙাই লৈতে।

কন্যা ঃ নথক থোংবশিংগী অমদি ইমুং মনুং মরুপ মপাংশিংগী মীনুংশি ফংবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ কান্নবা চাওখৎপা।
পাখং-লৈশা ঃ থাজনবা পাউদম্নবা।
অনা অয়েক ঃ ৱানিংঙাই লৈতে।

তুলা ঃ থবক থৌরম খুরৌ চেনবা, ৱাথোক লান্থোক অমদি মীগা মুক্লবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ মনিং হনবা।
পাখং-লৈশা ঃ ৱারৌনবা, শাওনবা।
অনা অয়েক ঃ পুক অমদি চাকখাওগী অনাবা, পাঙ্গল চোকথবা।

বৃশ্চিক ঃ অকি অখং, অশোক অপন অমদি মচি ময়া নাইবনা য়েংথিবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ ঙসিনা শোৎপা হয়েংনা পীদবা।
পাখং-লৈশা ঃ নাপল কাবা অঙম তান্নবা।
অনা অয়েক ঃ চাবা তুমদবা নত্রগা মচি ওইদবা, নুংশংগী অনাবা।

ধনু ঃ মরুপ মপাং চাওখৎপা, মীতোপশিংদগী কান্নবা ফংবা, লম চৎপা।
লাল্লোল ইতিক ঃ তৌজরুবগী মহৈ চাবা, শেন্দোং ফংবা।
পাখং-লৈশা ঃ থম্মোই থম্মোই লান্থোক্লবা, নুংশি পাউজেল চেন্নবা।
অনা অয়েক ঃ থোইনা লৈরোই।

মকর ঃ মায় পাকপা, মিংচৎ ফংবা, হোৎনজবগী তৌজরুবগী কান্নজবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ চাওখৎপা, কান্নজবা।
পাখং-লৈশা ঃ করিসু নত্তবদা ৱারৌনবা থাদোক্লবদি ঙমদবা।
অনা অয়েক ঃ ৱানিংঙাই লৈতে।

কুম্ভ ঃ নিংজবা অমদি পায়খৎচবা থবক থৌরমদা খুৎলৌ পল্লৌবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ কান্নফম খঙদবা।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্লিং ৱাখল তয়াং তশোইবা।
অনা অয়েক ঃ চানিং থকনিংবা পোক্তবা, ৱাখলগী অনাবা।

মিন ঃ শুজ নোমজবগী মহৈ চাদনবা, চাগা চদিং চাদিংনা হেনবা।
লাল্লোল ইতিক ঃ শেন্দোং শেল্লেপ তায়োন্নবা, কান্নফম খঙদবা।
পাখং-লৈশা ঃ ইকাই খাংদগী কঙ কোৎপা।
অনা অয়েক ঃ থবাক অমদি পুক্কী অনাবা।

হৈকৎ-লৈকৎ তম্লগা অপাইবা লাংফম কোকপা ঙমদে, নোংমগী ওইবা রাশিগী ফলদা চেকশিন্না, হৈ-শিংনা চৎচবা নত্তনা হৈকৎ-লৈকৎ, ইরাৎ-থৌনি পাঙথোকপগী তঙাই ফদবা লৈতে। অইবগী ফোন নঃ ৭০০৫১২০০৪৪

CROSSWORD-2818

1		2		3		4	■	5		6		7
	■		■		■		■		■		■	
8					■	9						
	■		■		■		■		■		■	
10							■	11				
	■	■	■		■		■	■	■		■	■
12		13				■	14	15				16
■	■		■	■	■	17	■		■	■	■	
18				19	■	20				21		
	■		■		■		■		■		■	
22							■	23				
	■		■		■		■		■		■	
24					■	25						

ACROSS

1 Sacred place (7)
5 Thigh bone (5)
8 Enthusiastic (5)
9 Skin-tight garment (7)
10 Throw away (7)
1 1 Cord (5)
12 Large snake (6)
14 Friends, in Spain (6)
18 Soup (5)
20 Meat from a deer (7)
22 Naturally grown (7)
23 Wild West show (5)
24 Drainage channel (5)
25 Shreds (7)

DOWN

1 Accelerate (5,2)
2 Spiced wine drink (5)
3 Whirlwind (7)
4 Illness (6)
5 Frozen dew (5)
6 Significance (7)
7 Long narrow range of hills (5)
13 Idea (7)
15 T ower on a mosque (7)
16 Wavy , winding (7)
17 Wading bird with a curved bill (6)
18 Wide (5)
19 Intuitive feeling (5)
21 Move furtively (5)

Solution 2817

D	E	T	A	C	H	■	R	A	S	C	A	L
E	■	U	■	O	■	■	■	C	■	H	■	U
C	A	N	O	N	■	S	A	R	N	I	E	S
A	■	I	■	G	■	A	■	O	■	D	■	A
D	I	S	T	A	N	T	■	B	R	E	A	K
E	■	I	■	■	■	U	■	A	■	■	■	A
■	■	A	P	P	A	R	A	T	U	S	■	■
S	■	■	■	E	■	A	■	■	■	U	■	L
L	A	D	E	N	■	T	A	B	A	S	C	O
E	■	U	■	N	■	E	■	U	■	T	■	U
A	W	K	W	A	R	D	■	Y	E	A	R	N
Z	■	E	■	M	■	■	■	E	■	I	■	G
E	A	S	I	E	R	■	O	R	A	N	G	E

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2617

		8		4		6	5	
2			7	6	5			
		4	1					
7		1		3				
			4		1			
				2		1		8
					6	3		
			3	1	8			2
	8	6		7		9		

Solution-2616

2	7	6	3	4	5	9	8	1
4	8	5	9	2	1	6	3	7
9	1	3	8	7	6	4	2	5
6	3	4	1	5	2	8	7	9
8	5	9	6	3	7	1	4	2
1	2	7	4	9	8	5	6	3
5	6	8	7	1	3	2	9	4
3	9	1	2	8	4	7	5	6
7	4	2	5	6	9	3	1	8

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, JIRIBAM

Ref:- Mut. Case No. 92/2018 *Dt. 21-5-2018*

Salam Gopal Singha S/o Gulamjat Singha of Moirang Bazar, Bishnupur District.

-VS-

R.K. Mangisana Singh S/o Late Sanayaima Singh of Elangbam Leikai, Imphal.

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ/NOTICE

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খুল নং ১০ কালিনতার জিরিবাম পাট্টা নং অরিবা ৮১ অনৌবা ১৮৬ দাগ নং ৫০১/৫৭২ অমসুং এরিয়া ০.০৩১৫ হেক্টরদা পাট্টাদার ওইরম্বা লৈখিদ্রবা মঙ্গিসনাগী মীং কল্লগা সলাম গোপাল সিংহগী মীংদা নামা পানবীনবা ASSO/JBM অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা মীং ককপা অমদি মীং পানবা অসিদা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙদোকপা নুমিত্তগী চয়োল অমগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি কোর্টনা লৌররোই। আইনগী মতেংনা কেস দিসপোজ তৌখ্রগনি।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer, Jiribam, Manipur**

HL-P/1818/12

ꯊꯥꯒꯠꯄ/থাগৎপা ফোঙদোকচরি

Ashok Kumar

ঐগী চহী মঙা শুরবা অনাবা **Case (L_4/L_5/S_1)** অসি শুপ্নতগী নুমিৎ ১২ (তরানিথোই) লায়য়েংবীরগা ফহনবীবা অসিগীদমক **শ্রী কোন্থৌজম অশোক কুমার**-বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। Treatment Centre অসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা **Ashok Kumar Health Care ☎ 9612988625 Imphal East** তনি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা শাংনা চৎপা ঙমদবা, কুইনা লেপ্পসু ঙমদবা, খোঙদা শজিং তোইনা তোইনা হৌবনা মরম ওইরগা য়াম্না নুংঙাইতবা পীবা অসিনচিংবনি। হকচাংগী অৱাবা পোৎলুম কয়াশিং অসিবু ফহনবীবা অসিগীদমক পাউচেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

থাগৎচরিবা ঃ **Yumnam Sunil Langmeidong**

HL-P/1819/12

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ **DUTTA** ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক **ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC** তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফন্বী পাবা, ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

ꯗꯠꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/4723/29/6-26/8(Alt.)
HL-B/4700/19/06-18/7

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/4701/19/6-20/7